# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-14

**(Historical and Archaeological Evidence on Climate Change)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) পারিহনবা - প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর (২) লানঙন্বা-রিছার্চ এসোসিয়েট (৩) চীংথং-লৈকাই পাখং।

নুপী:- (১) মেমচৌবী-হেন্থোইগী মনে
(২) হেন্থোই-লৈশাবী, রিছার্চ এসিষ্টেন্ট।

(মতম:- অয়ুক অঙনবা, মফম:- খুঙ্গং, হেন্থোইগী য়ুম)

মেমচৌবী :- হেন্থোইদুনা কদোমদা চৎখ্রবনোনে, নোং ঙাল্লি ঙাল্লি তৌরকপদা মঙাইরি, অঙাং ট্যুসন তন্বীবা চৎপা মতমসু ঙনমল্লি, মনিং ময়াদসু লৈবা উদে, কদোমদনো মসি নুপীমচাশিনা চৎখ্রিবসিবো, লৈশাবী মপুং ফাজিল্লকঅবনিনা পুক্লিংসে পাখৎতবসু ঙমদে মীহুনগসে আ য়ৌখরে ... হায়মা ! হেন্থোই নঙদি তুলসিবোং মখোংদা মল্লি মল্লিবসিদা করি তৌরিবা ?

হেন্থোই :- নেনে ৱারনি হায়দুনা তুলসিবোং ৱাই তৈথোক্কে তৌরম্মীনে, নেনেনা ইরুজরগা লাই-ধুপ থাওমৈ ঙন্তানা থাবা য়ানবা হায়দুনা।

মেমচৌবী :- নঙোন্দা কনানা ৱাই তৈবিয়ু হায়গে, ঐনা অদুম তৈজগদবদুবু, অঙাং ট্যুশন তৌবা চৎপা থেংখিদনা তোক্লনি, চৎলো চৎলো নখুৎ-নশা হামদোকচরুরো, ৱাই তৈবদো নেনে লোইশিনহৌরগে।

হেন্থোই :- নেনে ঙসি নোংমাইজিংনি কাওরবরো, ঐ ট্যুশন তন্বীবা চৎলরোইয়ে, অদুনা নেনেগী নতেং খরদা ওইরসু পাংগে তৌবনিদা, ঐসে ইমুং মনুংগী থবক অমতসু নেনেনা তৌহন্দে, য়াওহন্দে, লাইরিক্তং পাহল্লি, হয়েং ঐসে করিমতা হৈতদনা তোক্লনি।

মেমচৌবী :- ইমুং-মনুংগী থবক হায়বসিদি অদুম তাঞ্জা মেঞ্জাগী মতুংইন্না অদুমক হৈজরক্কদবা, তৌরক্কদবা মরৈরে, লাইরিক লাইশু, নহৈ-নশিং হায়বসিদি তাঞ্জা চারিঙৈ, মতম লৈরিঙৈ তমহৌগদবনি, তানশিনহৌগদবনি। ঙাইখোনে নঙগী পরিক্ষা হাইদোরক্কদবনা কয়াম ৱাৎলিবা।

হেন্থোই :- ঙসি নোংমা নিনিসিদদি হাইদোরকপসু য়াই অদো নেনে ইগজাম মাই পাক্লক্লবদি রিছার্চ তৌগেকো।

মেমচৌবী :- উম তৌগদবনি, রিছার্চ তৌদুনা পি. ঐইচ. দি. ডিগ্রী ফংলবা মতুংদা পোষ্ট দোকসু তৌথগদবনি, নেনেনা হেক ঙল্লিবমখৈ নঙনা তৌনিংবা খুদিংমক তৌহনগনি।

হেন্থোই :- (পুক্লিং নুংশিনা) ঐদি ইমা-বাবাসু মশক ফাওবা ফজনা খঙহৌদে, নেনে নংসে ঐগীদি ইমানি, ইপানি পুম্নমকনি, নহাক লৈরমদ্রবদি ঐসে করি ওইরমগনি।

মেমচৌবী :- তামোগা ইনন্মগনা গাড়ী এক্সিডেন্ট থোক্কুনা লৈখিদবা মতম অদুদা নহাক্তি চহি অমফাওবা মপুং ফাদরি, পীক্লিবী নহাকপু করিসু খঙদ্রিবী ঐগী ইফমদা হুন্থোক্লম্লগা মখোয়দি অদুমক তাইবংপান থাদোক্কুনা চৎখরে।

হেন্থোই :- (কপ্পা) নেনে নহাক্লা মতমদুদা ৰারমগদবদো, ঐনা নেনেগী নীংবা খুদিংমক থুংহনগনি, নেনেনা পাল্লিবা খুদিংমক ঐনা পাঙথোক্কনি।

চীংথং :- (য়াম হরাওনা চেল্লকপা) ইচে মেমচৌবী ... হেন্থোই... ইচে মেমচৌবী...।

মেমচৌবী :- কৈদৌরে চীংথং, কৈদৌবা য়াওরগে অয়ুক ঙন্তাসিদা স্বরগা থবেৎ থবেৎ হোনখৈ নখুৎতা খবর অমা পায়রগা চেনলকইসিবো।

চীংথং :- ইচে... হেন্থোই... সে খবর সে য়েংঙো, খবরসিগী অহানবা লমায়সিদা য়াওরিবসে।

হেন্থোই :- কদায়নো খবরদো পীরকও য়েংগে, করি য়াওরগে হায়বা।

মেমচৌবী :- অমুক্তা থুনা য়েংঙু করি য়াওরগে হায়বা (পাখৎনা হায়বা)।

চীংথং :- তু শে য়েংঙো, সিদা য়াওরিবসে.... নিংথৌজম হেন্থোইনা এম.এ.সি. জিওলোজি ইগজামিনেসন্দা ফার্ষ্ট ক্লাস ফার্ষ্ট তারে অদুনা হন্দক্কী চহিগী ওইনা মাইবম গুলাপ গোল্ড মেদল এৱার্ড নিংথৌজম হেন্থোইদা পীরগনি।

মেমচৌবী :- অওইবরা হায়রিসিবো, ওন্থোক্লা নুংঙাইরেদা, ঐনা নীংজবা থুংলে, তামো ইনন্মা নোয়বু তাবরো ঐখোয় হেন্থোই গোল্ড মেদল এৱার্ড ফংগদৌরে।

হেন্থোই :- (হরাওবা) ঐদি ইগজাম রিজল্টসি ঙসিমক খঙনি হায়বদি থাজরুদবনি, ঐগা য়াম নক্লনা কম্পিত তৌনদুনা লৈবা ইমান্নবী মেমসনানা হেনখিগদরা হায়দুনা পুক্লিংসে ৰাদুনা লৈরম্মীবনি, ঈশ্বরনা থৌজানবীরে, নেনেগী নীংবা থুংহনবা ঙম্বা অসিখক্তনি ঐনা নিংজরিবা, মথং-মথং হোৎনদুনা সিদগী হেনবা মীংচৎ কয়া অমসু ফংবা ঙম্বা ওইজগে, থৌজানবীয়ু ঐবু হে ঈশ্বর।

চীংথং :- হেন্থোই, ঐনা ঙন্তা ৰাঙ্কিং চৎপদা লন্বীদা খবর য়োনবা অমা হেক থেংনবা অদুদা খবর অমত্তা লৌহৌগে হায়দুনা হেক লৌহৌবনিদা, অদুদা তান হেক চাদুনা পাওসে ঙন্তানা খংবগী ৰানি, হেক খঙবগা পাও অসি হায়গে হায়দুনা চেল্লকইনে, নঙনা ময়াম পুম্নমক্কী মকোক ওইরকপসে য়াম নুংঙাইরে।

মেমচৌবী :- ইবুংঙো চীংথং নঙনা মতম পুন্নমক্তা ইচেহোয়গী ইমুংসে নুপা য়াওদনা পানবা ইমুংনি হায়দুনা অৱাৎ অপা পুন্নমক য়েংশিনবিবা, ইতেং পাংবীবা মসিগীদমক মতম পুম্বগী ওইনা নঙগী লমন তোনশিল্লবনি, নহাক লৈরমদ্রবদি ইনি ইমৌসে য়াম্না ৱারমগনি, নঙগী লমনসে করম্বা মতমদা শীংবা ঙমগদৌবনো খঙদরে।

হেন্থোই :- দাদা চীংথং ! দাদানা ঐবু মতম পুন্নমক্তা শেন্নবীবা, করিদা শোইখিগদগে য়েংশিনবীবা পুন্নমকশিং অসিনা ঙসি ঐনা মায় পাক্লা অকি-তুজুং য়াওদনা লেপচবা ঙল্লিবনি।

চীংথং :- হেন্থোই ! নঙনা খুন অসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবী মীথোই-মীহেনবী অমা ওইদুনা খুন অসিগী মীংচৎ পুরকপা অসিখক্তনি ঐনা নীংলিবসু, ঐনা হেক ঙল্লিবমখৈ নঙগীদমক হোৎনগনি, নঙনা চৎপা মফম খুদিংমক ঐনা নতুং কোইন ইন্দুনা কোইশেন শেন্নদুনা চৎকনি। অদো ইচে, হেন্থোইগী রিছার্চ তৌহনবসিবু সিদসুম তৌহনগদরা নত্রগা মপান লমদা থাদুনা তৌহনগদরা?

মেমচৌবী :- ঐখোয়গী য়ুনির্ভসিটি অসিসু মীরমগী য়ুনির্ভসিটিশিংদগী করিসু তাবা নত্তেদা, অদুনা সিদশুম তৌহল্লসিদা।

হেন্থোই :- ঐসু সিদশুম নখোয়গী নরক্তা লৈদুনা মখা তৌথবনা হেন্না পাম্মী, লাপ্না মীরমদা ইতোমতা লৈরুবা তল্লি।

চীংথং :- অদো ইচে... হেন্থোই ! ঙসিদি ঙা অচৌবা অমা থোংলগা চাসি, চাক থোংগৎনবা তৌরল্লো, ঐ ফার্মদগী ঙা ফারুখিগে, ঐ চৎলে।

মেমচৌবী :- ওন্থোক্লা মপুকচেল শেংখ্রবা, চমজখ্রবা ইঙাও ঙাওজবা নুপামচানি (নুংশিনা নোক্লগা হায়বা)

হেন্থোই :- দাদা চীংথং ! থুনা হল্লকউকো (লাওহৌবা)।

-ম্যুজিক-

(মফম: আর্থ সাইন্স দিপার্টমেন্ট, মতম: পুং ১১মুক তারকপা মতম, মী চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মীনিল)

পারিহনবা :- পুং তরামাথোই তাখ্রবসি ফাওবা লানঙম্বা হায়দুসু য়ৌরক্তেনে তৌরিসে, মেজর প্রোজেক্ত অমা তৌশিল্লুবসিদি মথাগা লোয়না শারেদা, এন্যুএল রিপোর্ট থাগৎলক্লোসু হায়জিল্লকঅনি, শোমদনা ঐগী রিছার্চ এসোসিয়েটশিগা এসিস্টেন্টসিগনা মরোল অমা পঙ্কচ্যুএল ওইদবনে, রিপোর্ট মতম চানা পীবগা ঙমদৌ মানশিল্লক্তরেদা (মতোমতা শোঞ্জবা)

লানঙম্বা :- সার, ঐ খরা থেংদোকখরে, য়ুমগী অথুবা চৎতবা য়াদবা থবক অমা লাকশিন দুনা চৎলুরে।

পারিহনবা :- লানঙম্বা ! নঙগী থবকসে নুংতিগী অমা নত্রগা অমা হেক্তা লাকপা মাল্লে, ঐখোয়গী প্রোজেক্তসিগী অহানবা রিপোর্ট থাবা মতম ওইশিল্লকঅবনিকো, খরা শেম শাবা হৌরো।

লানঙম্বা :- হোয় সার, অদো সার ঐখোয়গী রিছার্চ এসিস্টেন্ট ওইরিবী সনাথোইদো, রিজাইন তৌরগে হায়দুনা রিজিগনেশন লেটর ঐঙোন্দা পীশিল্লল্লে।

পারিহনবা :- (ঙক্লা) হা করিনোনে হায়রিসিবো, করি মরমগীনি হায়গে।

লানঙম্বা :- সিদা লৈজরে সার, মাগী রিজিগনেশন লেটর, দিল্লিদা মখুরাগীদা লৈরগা দিল্লি ইউনির্ভসিটিদা ওইনা রিছার্চ ৱার্ক তৌরুরনি হায়।

পারিহনবা :- অদুদি মাগী হাংলিবা পোষ্ট অসিদি য়াম থুনা অমুক মেনশিন্নবা তৌদ্রবদি য়াররোই, কমাইনা তৌসেগে, এডর্ভটিজমেন্ট তৌদুনা অমুক পোষ্ট অসিগীদমক কেন্দিদেটশিং কৌগদরা নত্রগা ঐখোয়গী মনুংশিদগী মতিক চাবা পোষ্টসিগা চান্নবা মীওই কনা কনাদি লৈরি, নঙবু খঙ লাকপরা?

লানঙম্বা :- সার, হন্দক চহিগী ওইনা তোপ্পর তাখিবী হেন্থোইদু নীংশিংবীরিব্রা?

পারিহনবা :- হেন্থোইবুদি করিগী নীংশিংলোইদৌরিবনো, মাদি য়াম্না ব্রিলিয়ন্ট ওইবী ষ্টুদেন্টনি। ঐখোয়গী জিওলোজি দিপার্টমেন্ট অসিদা মাগুম্বী হীরম খুদিংমক্তা তেলেন্ট লৈবী অমতা য়াওখিদ্রিবরা খল্লি।

লানঙম্বা :- অদুদি সার, মা ওইনা হেক্তা ওর্দর অমা থোল্লগা এপোইন্ট তৌরসিরা।

পারিহনবা :- মাবু য়াবু য়ারক্কদরনে, মানবু য়ারল্লবদি ঐখোয়গী প্রোজেক্ত অসিদি মায়পাক্লা মখা চৎথবা য়ারগনি খল্লি।

লানঙম্বা :- মা শোয়দনা য়ারক্কনি খল্লি, প্রোজেক্ত য়াওনা য়াওনা মাগী রিছার্চ ৱার্কসু অদুমক তৌজবা য়াগনি।

পারিহনবা :- অদু ওইরগনা মা এপ্লিকেশন অমদি থাহনলকও অদুগা ইন্টর্ভিয়ু অমদি পাঙথোকপা তারে।

লানঙম্বা :- অদুগীদি সার ঐ পুন্নমক লোয়না শিঞ্জরগে, অদো ফোন অমতং তৌদুনা ইনর্ফোমেসন অমদি পীখিসিরা হান্না।

পারিহনবা :- হোয়নে মদুনা ফরনি, ফোনদু অমুক্তা তৌ নঙোন্দা মাগী নম্বর য়াওরবদি।

লানঙম্বা :- হোয় সার, মাগী নম্বর ঐঙোন্দা লৈ, ঐ হৌজিকমক তৌরগে (ফোন কিপেদ নম্বা)।

হেন্থোই :- এ ! কনাগী ফোন নোসিবো, নম্বর খঙদবা অমা লাইইসিবো... হল্লো... আ কনা ওইবিরবনো .... ।

লানঙম্বা :- হেন্থোই ওইবিরবরা?

হেন্থোই :- আ ... মানে .... কনা ওইবিরবনো?

লানঙম্বা :- ঐ লানঙম্বনে... নঙোন্দা ৱা অমতা হায়গে তৌবনি।

হেন্থোই :- ওহ ! দাদা লানঙম্বা ওইরে, করি হায়বীগদবনো দাদা।

লানঙম্বা :- ঐখোয়গী হৌজিক হৌজিক তৌরিবা প্রোজেক্ত অসিগী রিছার্চ এসিস্টেন্টকী ফম অসি হাংলবা অদুনা য়ারদি নঙ ওইহৌ হায়গে তৌবনি, ঐখোয় সার পারিহনবা পায়হল্লক্কে, সারগা ওইনা ফজনা মমুৎ তানা ৱারীসে শান্নরো।

পারিহনবা :- হল্লো ... হেন্থোই... ঐগী প্রোজেক্ত, কম্পরেটিভ ষ্টদি ওফ পাষ্ট এন্দ প্রজেন্ত ক্লাইমেৎ সিস্তেম হায়বা অমা তৌরি, মদুদা ঐনা নঙবু রিছার্চ এসিষ্টেন্ট ওইনা এপোইন্ত তৌনিংবা অদুনা নঙগী অপাম পামদা খঙগে হায়দুনা ফোন তৌরকপনি, নঙনা করি খল্লিবা।

হেন্থোই :- সার, ঐগীদি য়াম্না লাইবক ফবনি, সারগী মখাদা প্রোজেক্ত য়াওবা ফংজবা হায়বসে, অদো সার ঐ ঐখোয় নেনেদা অমুক্তা হংজরকখিগে অদুগা য়াম থুনা পাও পীজরক্কে।

পারিহনবা :- অদু ওইরগনা ঐখোয় হেক্তা নোয়দা লাকঅগে অদুগা নখোয় ননেগসু ৱারী শান্নরগে।

হেন্থোই :- অহোই সার, সার হোয় লাকপীরবসু করিসু কায়দে, লাকপীয়ো সার।

পারিহনবা :- অদুদি ঐখোয় য়াম থুনা লাক্কবা তৌরগে, থম্মগে।

হেন্থোই :- অহোই সার।

-ম্যুজিক-

(মফম:- হেন্থোইগী য়ুম, মতম:- নুমিদাংৱাইরম, উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল)

পারিহনবা :- লানঙম্বা ! নঙবু হেন্থোইহোয়গী ময়ুমবু চপ চানা খঙবরা, য়ৌগদৌবা কয়াম ৱাৎলিগে।

লানঙম্বা :- সার, ঐ চপ চাবদি খঙজদে, মানা তাকলকপদুগা হায়রগদি য়ৌরক্কদৌরবা মাল্লে, আ মমাংৱাইদা মঙ্গে পাম্বী অচৌবা অমা হৌরিসে, অম্বাইদনি হায়রক্কুম তৌবনি।

পারিহনবা :- অদো নুপা অমা চৎলিবসে অসিদা ওইনা হংলসি... আ করিনোমতা হংজগেবা, সোমবু স্বাইসিগী মী ওইবিরবরা?

চীংথং :- অহোয়, করি হংবীগদবা ওইরবনো।

পারিহনবা :- হেন্থোইহোয়গী য়ুমসিবু স্বাইদা ওইরবরা?

চীংথং :- হেন্থোই হায়রিসি হন্দক এম.এ. সি. ফার্ষ্ট ক্লাস ফার্ষ্ট তাদুনা গোল্ড মেদল ফংখীবীদুরা?

লানঙম্বা :- উম, মানি মখোয়গী ময়ুম থিরক্লিবনি ঐখোয়।

চীংথং :- করি মরমগীনো মখোয়গী ময়ুম থীরকইদি, করি থবক্কীনো?

পারিহনবা :- এ !কৈনো ইবুংঙো ঐখোয়দি চুম্নতা হেন্থোইহোয়গী ময়ুম হংজবনি, ইবুংঙোনা অদুক কুপথনা হংবীরকইদুদি করিগীনো, ইবুংঙোবু হেন্থোইহোয়গী কনানোনে।

চীংথং :- ঐ হেন্থোইহোয়গী কনাসু নৎতে, লৈকায় অমতদা লৈমিন্নবনি, হেন্থোইহোয়গী ইমুংসে করিদা শোইখিগদগে কনানা করি তৌরক্কদগে হায়দুনা মীকুপ নাহুম শিংনা শেন্নরিবা মীওই অমনি।

লানঙম্বা :- ঐখোয়দি হেন্থোইগী থবক অমগী মশা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই খরা শান্নগে হায়দুনা লাকপনি, কৈনো শোমগী ৱাঙাংশিংসিবো, ঐখোয়সিবু করি ওইনা উবিরুরগে (শাওনা হায়বা)।

পারিহনবা :- ঙাইখো ঙাইখো লানঙম্বা, ঐ ফজনা অমুক্তা গ্যান তানা হায়খিগে। ইবুংঙো ঐসে ইয়ুনির্ভসিটিগী প্রোফেসার অমনি, মীংনা পারিহনবা কৌই, ঐ হেন্থোইগী ওজানি, ঐগা লাকমিন্নরিবা অসিনা ঐগী রিছার্চ এসোসিয়েট ওইরিবা লানঙম্বা হায়বদুনি, ঐখোয়না লাক্লিবসি হেন্থোইবু রিছার্চ এসিষ্টেন্ট ওইনা ঐগী প্রোজেক্তা য়াওহনগে হায়দুনা লাক্লিবনি।

চীংথং :- সার, ঐবু ঙাকপীয়ু, ঐ য়াম লানখরে, হন্দকসে ঐখোয় খুনসিদা হেন্থোইদা থওই উশিৎতবা কারন তাবা মীওইশিং হেক-হেক লাক্লুনা হেন্থোই অমদি মাগী মনেদা করেম কথাইনৈ, অদুনা ঐনা সার হোয়বুসু ৱাখল লান্না লৌরুরে, ঐ শোয়খরে সার।

পারিহনবা :- কৈসু কায়দেদা, নঙসু করিসু লান্দে, নঙনা হেন্থোইহোয়বু লুনা চান্না নুংশিনা য়েংশিনবীরিবদু য়াম্না ফৈ।

চীংথং :- হেন্থোইহোয়গীদি কনাসু লৈতরে, মনেগা মাগতনি অদুনা সার ঐনা মখোয়বু ঙাক শেঞ্জরিবনি, হেন্থোইহোয়গী য়ুমসু ইনক নক্না লৈরে, তু সিদা উরিবসিনি, ঐগা হেক্তা চঙমিন্নরসি সার।

লানঙম্বা :- (গাড়ী খান্বা) অদুদি সার, মাগা হেক্তা চংমীন্নরসিনে, আ মরুপকী মীংবু করি কৌবা?

চীংথং :- চীংথং কৌজে, লাকপিরো শোমদা, হেন্থোইহোয়গী কেন্থোং মপা য়ৌরে।

মেমচৌবী :- কোন্থোংলোমদা চীংথংগা চংমীন্নরকইবা নুপা অনিসিবু কনা কনানোনে, হান্না অমুক্তা উখিদ্রি, ঐখোয় স্বাইগী মীওইদি মান্দেনে (মতোমতা ঙাংজবা)।

চীংথং :- ইচে ! হেন্থোইদি .... হেন্থোইহোয়গী ওজানে লাকইশে।

মেমচৌবী :- ইমুংদা লৈবনি, আ সার শোমদা লেংশিনবীয়ো, সিদা মোরাশিদা হেক্তা ফম্বীয়ু, ইবুংঙোসু বেঞ্চসিদা হেক্তা ফম্বীয়ো, ঐখোয়গী য়ুমলৈ কৈরেশিদি নাতৈ চাবা জাৎ নৎতেদা, সুম পংপান পাল্লিবা হায়বদুনি।

পারিহনবা :- সোম হেন্থোগী মনে ওইবিরব্রা, ঐখোয়না লাকচরিবসে সোমগসু ৰারী শান্নজগে হায়দুনা লাকচরিবনি, হেন্থোইদুবু ... ।

মেমচৌবী :- য়ানি, ঐ কৌজরক্কে... হেন্থোই... হেন্থোই... নখোয়গী সারহোয় লাকইনে, নঙবু কদোমদা লৈগে, খরা থুনা লাকও, নোয়গী সারখোয় ঙায়দুনা লৈরে।

হেন্থোই :- সার, ঐ ইমুংদা থবক খরা শুম লোইশিল্লুবনি।

পারিহনবা :- ফৈ ফৈ তৌগদবনি, মতম ঙহাক শংবদা য়ুমগী কান্নবা থবক তৌবসু য়াম্না ফৈ, অদো নঙবু ঐনা হায়বা ৰাফমদুবু নখোয় ননেগা তান্নরবরো?

মেমচৌবী :- প্রোজেক্টুগী ৰাফমদু ওইরবদি ঐগীদি য়ানিংদবা অমতা লৈজদে, সারখোয়না ঐগী ইমৌনুপীসে রিছার্চ ৰার্ক মথং-মথং তৌহন্দুনা মীয়াম্না শকখঙলবী নুপী সাইন্টিষ্ট অমা ওইবা ঙমহনবীয়ু।

পারিহনবা :- হেন্থোইদি ময়াম পুন্নমক্তগী লৌশিং লৈবীনি, হোৎনবা কনবীনি, ঐনসু হেক ঙল্লিবমখৈ মাগী মতেং পাংগনি, নোংমদি মহাক শক্লাইরবী অমা শোয়দনা ওইরক্কনি থাজৈ।

মেমচৌবী :- সার, ঐ চা অমুক্তা লোনজরুখিগে, ময়াম ঙহাক ৰারী-ৰাতাই তৌবীরম্মু।

হেন্থোই :- দাদা চীংথং কৈদৌরে দাদাদি অদুদা অদুম নতোমতা তুমীন লেপ্পুনা লৈরিদুবো, লাকও সিদা ময়াম ফম্মীসিদা ফমসি লাকও।

চীংথং :- (ইকায়রপ) য়ারনিদা, ঐদি স্বাইদসুম লেপকে।

লানঙম্বা :- চীংথং ! লাকও সিদা ঐগা ফম্মীন্নসি লাকও।

হেন্থোই :- হায়মা দাদা লানঙম্বা, ঐখোয় দাদা চীংথংগা হান্না খঙনবরো?

লানঙম্বা :- খঙনদেদা হৌজিক্তা লম্বীদা থেংনদুনা খঙনরকপনি।

চীংথং :- নঙ হংবা লাকপদুদা ঐদি অতৈ অতেপ্পা ওইরবোই নীংদুনা ৰাসু খরা হায়রুরে হৌজিক্তদা য়াম ইকাইজরকই।

হেন্থোই :- নঙগী হৌনবী মথোং-মরম খঙদনা হান্না হেক্তা ফীংগৎপদু তৌরুরি ওইরিনিনে। সার, ঐখোয় দাদানা লানখিবা শোইখিবা য়াওরসু ঙাকপীয়ুকো।

পারিহনবা :- হেন্থোই মদুগী ৰাদু তোক্লসি ঐখোয়না তৌগদবা থবকশিংগী মরমদা ওইনা খন্নরসি। লানঙন্বা ! নঙ হেন্থোইদা ঐখোয়না তৌরিবা প্রোজেক্তসিগী মরমদা খরা খঙহল্লুসে।

লানঙন্বা :- হৌজিক মালেমসিগী অইং-অশাগী খলদা চাওনা অহোংবা অকায়বা কয়া থোরক্লিবা অসিগী মরমদা অমদি মমাংঙৈগী মতম হায়বদি তোঙান-তোঙানবা জিওলোজিকেল টাইম স্কেলগী মতুংইন্না ওইরম্বা মালেম অসিগী অইং-অশাগী মওং মতৌগী মরমদা নৈনবা, থীজিনবা অদুগা হৌজিক ওইরিবা ক্লাইমেৎ সিষ্টেম অমদি চহি চা কয়াগী মমাংদা লৈরম্বা ক্লাইমেটিক কন্দিসনগা লৈনরিবা মরিশীংগী মরমদা থীজিনগদবনি

পারিহনবা :- প্রোজেক্ত অসি মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্লবগীদমক ঐখোয় থৰাই হকচাং য়াওনা রিছার্চ ৰার্ক তৌবা তাই।

মেমচৌবী :- ময়াম চা থকসি, সার চা পায়বীয়ু, হায়মা চীংথং কৈদৌরে, নঙদি অদুদা অদুম তুমীন উংদুনা লৈরদি, সেনে নঙগী চা সিদা লৈরেনে।

চীংথং :- হোয় ইচে, অদো সার হোন্থোইগী থবকসিবু করম কান্দগী হৌগদবনো?

পারিহনবা :- নোংনিসিদগী হেক্তা হৌবা য়ারনি। হেন্থোই ! নঙগী মেত্রিকতগীনা এম. এ. সি. ফাওবগী মার্কশিত, সার্টিফিকেটনচিংবশিংগী জেরোক্স কোপী অমমম সেল্ফ এটেষ্টেদ তৌরগা হয়েং পুরকউ, এপ্লিকেসন অমসু য়অওরক্কদবনি অদুদগী ইন্টর্ভিয়ু অমতং পাংথোক্লগা এপোইন্ট ওর্দর থোক্লগা কাবা হৌবা হেক্তা য়ারনি।

হেন্থোই :- হোয় সার, ঐ হয়েং শোয়দনা পুরকঅগে, অদো পুংদি কয়াদা লাকচৌগে সার।

পারিহনবা :- পুং তরাগা অদুৰাইদা হেক লাকও। নঙনা য়ুমদগী নুংতিগী চৎথোক-চৎশিন ফরক তারগসু ঐগী ক্বার্টরদা লৈবসু য়াগনি, নোয় ননম্মসু লৈবনিনা।

চীংথং :- সার, পংলাপ লাপ্পসু নৎতবনিনা য়ুমদগী অদুম ঐ থিন্দোক-থিঞ্জিন অদুম তৌজগে, মাগী চৎথোক-চৎশিনগীদমক্তদি করিসু ৰাবীরুগনু সার, ঐ লৈজরি।

মেমচৌবী :- সার, য়ুমসিদসু ইনি ইমৌদা লৈজবনিনা চীংথংনা হায়রিবসিনা ফগদবা মাল্লি, ঐখোয় অদুম থিন্দোক - থিঞ্জিন তৌজগে।

পারিহনবা :- ফরে, ফরে অদুদি ঐখোয় অমুক য়ৌখ্রগে, হয়েং নংনবা লাকওকো।

হেন্থোই :- ফনি সার, অদুদি ঐখোয় অমুক লৈজহৌরগে (গাড়ী থৌখিবগী মখোল)।

-ম্যুজিক-

(মফম: ইয়ুনির্ভসিটি, মতম: পুং মাপলমুক তারকপা মতম, মী চৎথোক চৎশিন তৌবগী মওং)

হেন্থোই :- দাদা চীংথং ! আর্থ সাইন্স দিপার্টমেন্ট য়ৌরে, নেনে ওটোসি স্বাইদা হেক্তা খামহল্লসি (ওটো খান্বগী মখোল)।

চীংথং :- লাকও চঙলসি, ঐখোয়না খরা ঙন্না লাকপগী ওটোসি মনুং ফাওবা থৌজিনবা য়ারিবনি, ঙহাক লৈরদি সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংনা থৌজিনগেগা অমতা য়াররোইদবনি, ইচেদি খোঙনা শাংনা চৎপসু নুংঙাইরোইদবনিনা ঐখোয়না খরা ঙন্না লাকহৌরিসি ফরবনি।

হেন্থোই :- এ ! দাদা চীংথংদি কমাইনা খঙলিবা, ইয়ুনির্ভসিটিসিদা লাইরিক তম্বনা ঐনা তমখৈ তল্লগা, খঙবনা দাদানা লোইনা খঙলেনে।

চীংথং :- ঐদি নঙ উহন্দনা নুংতিগী ইয়ুনির্ভসিটিসিদা লাকইনা।

হেন্থোই :- কৈদৌবা লাকইবা ?

চীংথং :- নঙ শেন্নবা লাকইবনি কৈনো, নঙবু হেক্তা পংথাদা থাদোকপা য়াবরো।

মেমচৌবী :- খোঙনা খোঙ নাবনে, খোঙসে ঙরাং হোবে-হোবে থবক নঙহৌররোই হায়ুদনা কোইচেন চেনবদা থোক হেক লৈথেকখিদুনা দশা তারেনেসে, নোয়না মরোল অমা চবেং-চবেং ঙাংবনে নোয় সারগী কাদুবু য়ৌরবরো।

হেন্থোই :- নেনে, খোঙ নাই লাকঅনু হায়বসু য়াদে, দাদা ইবানিদং চৎলবসু য়াবসিবু।

মেমচৌবী :- ঙসি নঙগী থবক্কী ইন্টর্ভিয়ু নুমিৎসিদা নবানিদং কমায়না থাদোকতোইনো, নোয়দং চৎখ্রগা ঐ ইতোমতা য়ুমদা লৈফম চাফম খঙহৌরোইদোই শরুক খোঙ নারসু নানা নোয়গী নতুং ইল্লকপসিনা ফৈ খন্দুনা লাকইবনি।

লানঙম্বা :- হেন্থোই লাকঅবো, চীংথংগা ইচেগসু য়াওবীরকই, ঐগী কাদা সার ঙাইবা ওইনা ঙহাক্তং ফমখিসি, সারসু য়ৌরকঅনি।

মেমচৌবী :- অঙাংশা, ঙসিসে ঐদি ওন্থোক্লা শাখরে, নখোয়সু শাবরা, নহালখৈদগী ঙসিনা খরা হেন্না শাবগুম তৌই, হৌজিক ঙল্লিঙৈসিদগী অসুক শারবদি হোরেল নুমিৎয়ুংবা মতম অদুৱাইদদি ওন্থোক্লা শারনিদা।

চীংথং :- হায়গুম্মদনা ঙসিদি ঙন্তানা খঙশা শাগৎলকপগুম তৌই।

হেন্থোই :- সিদা থর্মোমিটর অমা ফল্লাংদা থেৎলিসিদা টেম্পরেচর কয়া য়ৌরগে য়েংগে... এ ! কা মনুংসিদা ফাওবা সেলসিয়স ডিগ্রি ৩০ খরা হেনগৎনা লৈরে, মপান দদি য়াম শারম্মনি।

মেমচৌবী :- ইবুংঙো লানঙম্বা ! হৌজিক ময়াম্না ঙাংনরিবা, হায়নরিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়রিসিবু কমায়না ওইরকইনো, অদুগা ৱেদর অমদি ক্লাইমেৎ হায়রিবা অনিসিবু চপ মান্নবরনে।

লানঙন্বা :- ইচে মফম অমগা মফম অমগগী অইং-অশা নোংজু-নুংশা অসি অমতা মান্নদে, মফম অমগী নোংমা-নোংমগী নত্রগা অতেনবা মতমগী ওইবা অইং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎ, নোংজু-নুংশাগী মওং মতৌ অসিবু ৰেদর হায়না খঙনৈ, ৰেদর অসিদি মীকুপ পুংজা খুদিংগী অহোংবা নাই অদুগা ক্লাইমেৎ হায়রিবা অসিনা মফম অমগী চহি কয়াগী ৰেদরগী মওং-মতৌ অদুগী চাংচৎ অদুবুনি। ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়রিবা অসিনা লমদম অমগী হান্না লৈজরম্বা ক্লাইমেৎকী মওংদা অহোংবা কয়া থোক্লকপশিং অদুবুনি। ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোরক্লিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌরম কয়াদগী গ্রিন হাউস গ্যাসশিং হেনগৎলকপদগীনি অদুগা অতৈ অতোপ্পা মরমশিংদি মৈগী চীং পোকখাইরকপা অমদি সোলর সিষ্টেমদা অহোংবা কয়া লাকপদগীনি।

হেন্থোই :- ঐখোয়না মালেমসিদা গ্রিন হাউস গ্যাসশিং হায়বদি ৱাটর ভেপর, কার্বোন দাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইত্রস ওক্সাইদ, ওজোননচিংবশিং থাদোরকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপদগী মালেমসিগী শাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লে হায়বসি চহি চা ১৯গী অথেংবা মতম অদুৱাইদগী সাইন্টিষ্টশিংনা খন্নবা নৈনবা হৌরকখি।

লানঙন্বা :- এ ! সার য়ৌবিরকএদনা, হেন্থোইহোয়দি কুইরে সারবু ঙাইদুনা লৈবা।

পারিহনবা :- ময়াম ঐ খজিক্তং থেংদোকখরে, ৱারৌবিবা য়াদে, হেন্থোই নঙগী দোকুমেন্টশিংদু পুরগা ঐগী কাদা চংঙকও।

হেন্থোই :- হোয় সার, ঐ চংজরকঅগে।

মেমচৌবী :- চংঙো চংঙো, করিমতা পাখৎকনু, সারনা হংবশিংদো ফজ-ফজনা খুন্নম্মু।

চীংথং :- ফজনা খুন্নম্মুকো।

হেন্থোই :- উম, .....সার ঐ অমুক্তা চংজরক্কে।

পারিহনবা :- চংঙকও, চংঙকও... চিয়ারদুদা ফম্মু।

হেন্থোই :- সার, ঐগী দোকুমেন্টশিং সিদা লৈজরে।

পারিহনবা :- নঙগী দোকুমেন্টশিংদু ঐনা অমুক য়েংদ্রবসু হান্নদগী অদুমক খঙদুনা লৈরবনি, চুম্নসুম নিয়মনি হায়বগী তৌবনি, সুম ঙহাক ৱারী শান্নবা ওইনা ক্বেসন অমা অনিদং হংগেকো।

হেন্থোই :- ফগনি সার।

পারিহনবা :- ঐখোয়গী মালেম পৃথিবী অসি চহি কয়ামুক শুরবগে অদুগা ঙল্লিঙৈ মতমদা ওইরম্বা ক্লাইমেটিক কন্দিসনগা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ক্লাইমেটিক কন্দিসন অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরিশিং, মতম মতমগী হোংলক্লিবা ক্লাইমেৎ সিষ্টেম অসিগী মরমদা খরদং হায়য়ু।

হেন্থোই :- সার, ঐখোয়গী মালেম পৃথিবী অসি চহি বিলিয়ন ৪.৫ রোম শুরে হায়না পানরি, সোলর নেবুলা হায়রিবা গ্যাসকী মপৈশিং অমদি উফুল-ৱাইফুলশিংনা নুমিৎ শেমখিবদগী লেমহৌবা শরুকশিংনা পৃথিবী অসি শেমখিবনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা হায়রি। জিওলোজিকেল টাইম স্কেলগী মতুংইন্না মালেমগী ক্লাইমেৎ কন্দিসনসু তোঙান-তোঙানলি, চহি মিলিয়ন কয়াগী মমাংদা মালেম অসি য়াম্না কা হেন্না শারম্মি অদুগা অমুক য়াম্না হেন্না ঈংবগী মতমসু লৈরম্মী, মালেমগী মফম অয়াম্বা উনতনা কুপশিন্দুনা চহি মিলিয়ন কয়ামরুম লৈরম্মী মসিবু আইস এজ হায়না খঙনৈ।

পারিহনবা :- ভেরি গুড, চহি মিলিয়ন ১৫০রোমগী মমাংদা পৃথিবী অসি য়াম্না শারম্বগী মরম খঙবরা।

হেন্থোই :- সার, হায়রিবা মতম অদুদা দাইনোসরশিং য়ামনা মরাং কায়না লৈরম্মী, দানোসরশিংনা মিথেন গ্যাসশিং মখোয়না দাইজেসন তৌবা মতমদা মরাং কয়না এটমোস্ফিয়ারদা থাদোরকই মরম অসিনা মতম অদুদা শাবগী চাং য়াম্না হেন্নবা মরম অমা ওইরম্মী। ঙসিদগী চহি মিলিয়ন ৬৫রোমগী মমাংদগী দাইনোসরশিং মালেম অসিদগী মুৎখ্রে, মসিগী মরমদি মালেম অসিগী ক্লাইমেৎ অসি খংইং ইংশিল্লক্তুনা আইস এজ ওইরকখিবদগীনি হায়না থাজনরি। অদুগা সার চহি মিলিয়ন কয়াগী মমাংদদি ক্লাইমেৎ কন্দিসন অসি য়াম্না ষ্টেবল ওইরমদে, হোলোসিন হায়রিবা জিওলোজিকেল ইপোক, হৌজিক্তগীনা চহি ১১,৬৫০ রোমগী মতমদগীদি ক্লাইমেটিক কন্দিসন অসি ষ্টেবল ওইরে হায়না লৌনরি। অদুবু সার হৌজিক মালেম অসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোক্লক্তুনা শাবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়বা ৱাফম অসিদি ময়াম পুন্নমক্না য়ানরবা ৱাফম ওইরে।

পারিহনবা :- য়াম নুংঙাইরে হেন্থোই, ঙসি নঙগা ঙহাক ৱাহং-পাওহং তৌনবসি, ঐনা নঙোন্দগী অশা কয়া অমসু তৌরি, নঙ হোৎনবা লেপ্পা য়াদে।

হেন্থোই :- থেঙ্ক য়ু সার, ঐ মতম খুদিংমক্তা সারহোয়গী তুং ইঞ্জদুনা মালেম অসি কন্নবগী থবক থৌরম কয়া পাংথোকপদা শরুক য়াজগনি।

পারিহনবা :- লানঙম্বা ! ময়াম পুন্নমক শোমদা ঐগী কাদা চংবিরকও হায়ও।

লানঙম্বা :- অহোয় সার, ইচে, চীংথং সারগী কাদা চংলসি লাকও।

পারিহনবা :- ময়াম চংবিরকও, চা গ্লাস অমমমতং থকমীন্নখিসি।

মেমচৌবী :- ঐখোয় হেন্থোইসিবু কমদৌগে সার, সারগী প্রোজেক্তসিগবু চানবু চানগদরনে।

পারিহনবা :- হেন্থোইগী ৱাসিদি হায়রুদনা কান্নদে, মঙোন্দগী হেন্না মতিক চাবী অমা ফংলরোই।

চীংথং :- সার অদুদি ঐখোয় হেন্থোইসি, হয়েংদগী হেক্তা লাকপা য়ারদরা?

পারিহনবা :- য়ারনি য়ারনি, হয়েংদগী হেক্তা জোইন তৌবা য়ারনি, করিগীনো নঙনা অদুক নপুক্লিং চংনা হংলিসিবো।

চীংথং :- (খিৎতং ইকাইনা) হেন্থোই হয়েংদগী থবক কারকঅদি ঐসু অদুম হেন্থোই থিনবা ওইনা লাকঅদবা, অদুগীনিদা সার।

পারিহনবা :- (নোকপা) নঙবু লাইরিক কয়ামদি তমহৌই।

চীংথং :- ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবদি তমহৌই।

পারিহনবা :- অদু ওইরগনা নঙসু ফিল্ড এসিস্টেন্টগী পোষ্ট অমা হাংলিসিদা হেক্তা হাপ্পীরগেদনা।

ময়াম :- মদুনবু ফরেনে (নোকপা)।

-ম্যুজিক-